# ঙাঙবা খক্তনা য়ারগদ্রা?

মতম মতমগী
গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

ইহাঙ হাঙনা লৈরিবা লমদম অসিগী লৌবুকশিং অসিবু মতম পূম্নমক্তা হাঙহন্দনা থম্নবা অমদি মওং চুম্নবু শীজিন্নরবদি চীঞ্জাক্কী অৱাৎপা লৈরোই, মীপান তাংলোই, ঐখোয়গী লৈঙাক্কী মরু ওইবা লুচিংবশিংনা য়াম্না তোয়না হায়নবা ৱাহৈশিংনি। কয়াদা চুমখ্রবা ৱাহৈশিংনো? মসিদা নত্তে, তনবু তন্দ্রবদি থবক্কী থবক ঙাক্তনি। মসিমসু কক্লিংঙাই লৈতনা চুম্লবা ৱাফম্নি। মসিনসু লোইদ্রি, থবক্তা চিলহাও থিগনু, মতম মাঙহনগনু, লৈঙাক্কী তোলোপ চাবা থবক খক্তনা থবক নত্তে, লন্নাই ওইনা তৌবা য়াবা কয়া অমা লৈরি, য়েন লোয়বা, ওক য়োকপসু য়াই, ঙা য়োকপগী ফার্ম তৌবা য়াই, ইঙ্খোল কোইবসু য়াই, মমল তাঙলা-তাঙলবা মীয়াম্না পাম্না-পাম্নরবা মখল-মখলগী মনা-মশিং পুথোক্তুনা শেল য়াম্না তানবসু য়াই হায়বনচিংবা কয়া কয়ানি। পাউতাক্তি য়াম্না লায়না ফংই হায়নবদুনি। ঐখোয়গী লুচিংবশিংগী মনাক্তবু নক্লুরবদি পাউতাক্কী পাউতাক ঙাক্তনি। লুচিংবশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট নৎত্রগা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইবা ফঙ্কশনবু য়াওরুরবদি পাউতাক কয়া তাবা ফংই। মশা-মশানা তৌবা তৌদবনা তোঙান্না থমখ্রগা ঐখোয়গী লুচিংবশিং ঙাঙবদদি অচুম্বা খরদি ঙাঙলে। মখোয়না হায়রিবশিং অসি লাল্লি হায়রুবমক্তি য়ারোই, য়ুনিভর্সেল ক্রুথকা চপ মান্নরবা ৱাফম ঙাক্তনি, মতম মাঙহন্দ্রবা, থবক কন্নবু শুরবা, শেল য়াম্না ফংবনিনা মশানা অদুম নুংঙাইবা তাবনি। ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী ২০-৩০ মুক্কী মমাঙ ঐখোয়না সর্ভিসতা লৈরিঙৈদা লমদম অসিগী লুচিংবশিংনা ফঙ্কশন কয়াদা ফজ-ফজরবা পাউতাক কয়া শৈরেং থিবগুম থিথখি, মপান লমগী ৱারী মতেক-মতেকসু রিফরেন্স ওইনা লীখিবসু য়াওখি, মখোয়গী ৱারীদা অরানবা কয়ামুকসু য়াওদবদি নত্তে।

লমদম অসিদদি মীখলদবু কারক্লবদি লুচিংবা হায়বদু অদুম ওইরে। লাইরিক হৈবা হৈতবগী খেন্নবা লৈতে, ক্বালিফাই ওইবা ওইদবা মীখলদবু কারবা লিদর অদুম ওইরে, লিদরবু ওইরবদি মহাক্লা হায়বদুনা অচুম্বা ওইরে। ফঙ্কশন ময়ায়দা ফমগনি, মীয়াম তিনবা মফমদা ৱা শাংনা-শাংনা ঙাঙগনি, মহাক্লা ঙাঙবদা য়েৎলুবা য়ারোই, তারিবা মীওইশিংনা অচুম-অরান থিদনা তূমিন্না তাগনি, মরক মরক্তা খূবাক হৌনা হৌনা খুগনি, লৈবাক্কী লুচিংবা হায়বদু অদুম ওইরে। মহাক্লা ঙাঙবদু অচুম্বনি হায়না লৌনৈ, লাল্লবসু য়েৎনদে অদুম তানৈ। নোংমা ঙসিদগী চাওরাক্লা চহী ৩০ মুক্কী মমাঙ ওইরমগদ্রা লমদম অসিদা সেরিকলচরগী অকনবা ঈহৌ লাকখিবা মতমদুদা মতমদুগী লুচিংবা অমনা জ পানগী সেরিকলচরগা মরী লৈননা লীখিবা ৱারীনি হায়বা অমা নীংশিংলকই, ইশামক্লা থেংনহৌবদি নত্তে। জপানদি সিল্ক অসি মলবরি পাম্বী থারগা চাওরক্লবা মতমদা মকক-মকক ককথৎলগা মেছিনদা চপখায়রগা লং ওম্বোক্লগা পুথোরকপা ফিনি হায়বসি হায়, কনানসু য়েৎলুদে, লাল্লিসু হায়রুবা ঙমদে, তূমিন্না তাই লোইশিল্লকপদা খূবাক্তুম হৌনা খুখি হায়। লৌমীশিংবু পূক্লীং থৌগৎপা ওইনা মতমদুগী অতোপ্পা লুচিংবা অমনা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীবদা লীখিবা, ইশামক্লা থেংনহৌবা ৱারী মতেক অমসু নীংশিংলকই। শল্লপ্পা থমজগে, পঞ্জাবকী লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা ৱারীনি। মফম অদুদদি লৈঙাক্কী থবক তৌববুদি লৌউ-শিংউবগী থবক্লা হেন্না পাম্নে হায়। অফ-অফবা মখলগী ত্রেক্টর য়াওনা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নবা য়াবা মখল কয়াগী খূৎশু-খূৎলায় শীজিন্নদুনা অয়ূক-নুংথিল ফার্মদা থবক শুরুরগা নুমিদাংৱাইরমদা ফিরোল নান্না শেৎলগা টাই কিরগা অনান-অনানবা কার তোংদুনা কোয়বা চৎনৈ হায়। লমদম অদুদদি মচা নিঙোল থাজবদা আই এ এস ওফিসরবুদি ফার্মগী মপুবুনা হেন্না পাম্নে ফাওবা হায়খি। ঙাঙবদা হৈ-শিংবা লুচিংবা ওইবগা এক্টিংগা লোয়ননা ঙাঙথরকপদা তাববুদি য়াম্না নুংঙাইখি, অদুবু য়াম্না তন্না য়াওনীং-য়াওনীংদনা (থবক লৈথোকনীংবগীদি নত্তে, থম্মোয়নুংদগী থোরকপা অশেংবা ৱাহৈ মান্দবা তিল্লিবা মীয়াম্না তাবদা নুংঙাইনবা নিংথিনা শেম-শারবা মখোয়না মপূন্সিদা তৌররোইদবশিং মথং-মথং ঙাঙথরক্কদবদু তানীংদবদগী) য়াওখিবা ফঙ্কশন অদুদা ঙাঙলিবা ৱাফমদু তাবদা খুনীং-খুনীংদা মখোল থোকপোই থোক্তবোই খূবাকপুদি অদুম খুখি। ঙাঙলিবা ৱাফম অদু লাল্লি হায়বমক্তি নত্তে। পঞ্জাব লৌউ-শিংউবদা মাঙজিল থাবা লমদম অমনি হায়বা মীপূম খুদিংমক্লা য়ানরবা ৱাফম অমনি অদুবু অচুম্বদু খঙলিবা, ফঙ্কশন কয়াদা অচুম্বা ৱাফমশিং পুথোক্তুনা ঙাঙলিবা, মখোয় খুদিংমক্লা অচুম্বনি হায়বা তশেং তশেংনা খঙলবা থবকশিং অদু মশা মশানদি পাঙথোকখ্রবরা? মখোয় মখোয়গী মচা মশুশিং য়াওনা মখোয়গা নক্লবা মরী মতাশিং অমদি মখোয়গী মতুং ইল্লিবা মশীং য়াল্লবা ৱার্করশিংদা ঙা য়োকউ, ইঙ্খোল কোইয়ু, ওক লোয়য়ু, লৈঙাক্কী তোলোপ চাবা থবক ঙাইরুনু, মতম মাঙহনগনু, থবক কন্না শু-নোমদুনা শেল তাল্লু হায়রমগদ্রা? মীটিংদা, ফঙ্কশনদা হায়বা নত্তনা অদুগুম্বা ৱা হায় হায়বা তাখিদে। অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং খায়দনা লুচিংবশিংগী ময়ূমদা, ক্বার্টরদা, ওফিসতা অমদি মখোয়না চৎপা মফম খুদিংমক্তা মমিগুম্না পুময়োম য়োমদুনা লৈরিবা মশীং য়াল্লবা মখোয়গী খোঙলোইশিং অদুনদি অদুগুম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা থবক শুরগা শেল তানবগী থবকশিং তৌ হায়রগদি তৌগদ্রা? মীখল মতমদা তূম্বা-চাবা থিদনা, অয়ূক নুংথিল নুমিদাং নাইদনা শিবা-নাবা কিদবমখৈ পাঙ্গল, শক্তি, লন-থুম অরৈবমখৈ পুথোক্তুনা ভোট কাহন্নবা হোৎনখিবা অদু ভোট কারবা মতুং এম এল এ, মিনিষ্টর ওইহল্লগা ওক, য়েন লোয়গে, ঙা য়োক্কে, ফার্ম তৌগে, ইঙ্খোল কোইদুনা শেল তানগে হায়বগীদি ওইরমগদবা মান্দে। ৱার্করশিং অদুনা থৱায় হকচাং য়াওনা নোমখিবা অদুসু অরেম্বদা নোম্বা ওইরম্লোই, মশা মশাগী অনীংবা অপাম্বা আশা অমমমগী মখাদা ওইরমগনি। অৱাং-অৱাংবা আশা কয়াগা লোয়ননা লৈরিবা মীওইশিং অদুনা অনীংবা-অপাম্বশিং ফংলক্তবদা নৎত্রগা মতম খরা থেঙথরকপদা অশাওবা উৎলক্লিবা খোঙলোইশিং অদুদা ওক, য়েন লোয়দুনা শেল তাল্লু হায়রুরবদি মথংগী লাক্কদবা মীখলগী ফল হায়দোকপগা মান্নরে হায়বা য়ারে।

লমদম অসিদা লৈরিবা লুচিংবশিং অসিগী ৱার্করশিং অসিগী অপাম্বসি মখোয় মখোয়না ৱার্ক তৌজবা লুচিংবশিং অদুনা ভোট কাদুনা মিনিষ্টর ওইরগা লৈঙাক্কী তোলোপ চাবা থবক অমা তৌহৌবা নৎত্রগা অচৌ অচৌবা কন্ট্রেক্ট ৱার্ক নৎত্রগা সপ্লাই তৌদুনা কান্নবা লৌহৌবদুনি, তৌবসু অদুম তৌনরিবনি। ঙসি লমদম অসিদা চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈননা শেমগৎ-শাগৎলিবা পূম্নমক অসি অয়াম্বনা লুচিংবশিং অদুগা নক্লবা মরী-মতা, খঙন-চান্নবা নৎত্রগা মখোয়গী এক্টিভ ৱার্করশিংদি মমিংখক পক্তবসু লুচিংবশিং অদু য়াওরমগনি হায়বদা চিংননীংঙাই লৈতে। থবকশিং অদুসু অয়াম্বনা য়েংশিনগদবা মীওইশিং অদুবু অঙম্বা শক্তি লৈরবা মীওইশিংনা শুরবনিনা কাঙলোন চুম্না তৌবরা নৎত্রগা তৌদবরা হায়বদুসু য়েংশিন্নবগী পাঙ্গল লৈতবনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফমদি য়াম্না লাপ্পা লৈখ্রে।

ঙসি লমদম অসিদা কনা কনানা লৌবুক্তা কুমদুনা লৌ উদুনা চীঞ্জাক পুথোক্কনি? ওক লোয়নীংবা, ঙা য়োক্লিংবা মীওই কয়া য়াম্না লৈরমগনি? হৌজিক অসিগুম্বা শিনফম পায়রিবা মীওইশিং অসিনা কনা কনানো? লমদম অসিগী লুচিংবশিংগী মরী মতাশিং, মখোয়গা নক্লবা মীওইশিং, শঙ্গ লৈবা, শেল মতিক চানা পায়রবা মীওইশিং, মখোয়গী মচা-মশুশিং অমদি লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈরবা মীওইশিংনা অসিগুম্বা শিনফম অসি পায়নীংলমগদ্রা? পায়সু পায়রম্লোই। (হৌজিকপুদি লাইরিক লাইশু হৈরবা লৈঙাক্কী থবক ফংদ্রবশিংগী মরক্তগীসু পায়বা হৌরক্লে)। মীদিয়াদা হীরমশিং অসিগী মতাংদা ঙাঙথরিবা এক্সপার্টশিংসু অসিগুম্বা থবকশিং অসি তৌরমগদবা মান্দে (চেক লোন নৎত্রগা সবসিদি লৌনবগী মমিংতগী ওইনা তৌববুদি লৈরম্বসু য়াই) লোইনমক নৎত্রবসু মখোয় খরগী হৈনজবদি অনানবা গাড়ী তোংলগা অঙম-অথৌ, লুচিংবশিংগী মতুং ইল্লগা ৱাজাও ঙাঙবা, অকাশ বিল লৌনবা হোৎনবা অমদি মীয়ামগী চাকথুং মৎনবা হোৎনবনা অয়াম্বনি। শু-নোমদুনা হিংলম্বা মীওই কয়াসু মখোয়গা নক্লবা মীওইশিংনা এম এল এ, মিনিষ্টর ওইরকপদা মশা মশানা পায়রম্বা শিনফম অদু থাদোল্লগা অঙম-অথৌশিং অদুগী মতুং ইন্দুনা শিনফম ওনখিবসু য়াওদবা নত্তে। মতম খরগী মমাঙদা থেংনখিবা নহা অমা লৈ, মমিংদি হংলুদবনা খঙহৌদ্রে, দি আই টাটা থৌবনি, য়ূমগী টাইলস থাবগী ষ্টোন দষ্ট থাবীরবদা থেংনখিবনি, মোবাইল নম্বর পীরম্মী মথৌ তারবদি হায়রকউ হায়রম্মী। নোংমা মথৌ তারক্তুনা ষ্টোন দষ্ট হায়না সেভ তৌখিবা নম্বরদুদা ফোন তৌরুবদা মহাক্তি গাড়ী থৌদ্রে, মমান্নবা অমা লৈ মঙোন্দা থাহনগে হায়দুনা থাহনবীখি। মাল থাবা লাকপা মমান্নবদুদা হংবদা মহাক্কী য়াম্না নক্লবা মরী মতা অমা ভোট কাই, মহাক্কী মনাক্তা লৈদুনা থিকা তৌখ্রে, গাড়ী থৌবা তোকখ্রে, শেল পায়খ্রে হায়রম্মী।

লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা লৌবুক হাঙনা থম্লোইসি, মতম মাঙহল্লোইসি, লৈঙাক্কী থবক্তা ঙাইরগুমসি, ওক লোয়য়ু, য়েন লোয়য়ু, ঙা য়োকউ তনবু তন্দ্রবদি থবক্কী থবক ঙাক্তনি হায়বা চুমদি চুম্বা মতম পূম্নমক্তা চুমদুনতা লৈরগদবা ৱাফমশিং অসি কনাদনো হায়রিবসি? অসিগুম্বা থবকশিং অসিদি কনা কনানা তৌগনি? শঙ্গ লৈজদবা, শেল পায়জদবা, লাইরিক নীংথিনা তমহৌদ্রবা, লাইরিক হৈরবসু থবক ফংনবগী খুদোংচাবা ৱাৎলবা, ৱানোম্বা হৈতবা, লুচিংবশিংগী মতুং ইনবা পামদবা মীওইশিং অদুগী রিজার্ভ ওইনা লৈরবা থবক ওইগদৌরিবরা? শক্লাইরবা লুচিংবশিং অদুগী পাউতাক অদুখক্তনা লমদম অসি চীঞ্জাক্তা মীপান তাংদবা, মীপূম খুদিংমক থবক পীবা ঙম্লবা লমদম অমা ওইবা য়াগদৌরিবরা? ভাষণ খক্তনা য়ারগদ্রা? ওইথোকপা য়াবা খরদি তৌসিদনা, ঙাঙবা খক্তনদি য়ারোই। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ৬

- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -

ঈলৈপাক ওইহল্লক্তবা তারবদি ঐখোয় ঈলৈপাকচাশিংনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু হৌজিক মীৎকুপ অসিদগী খন্নহৌরগদবনি। ‘খোনপুনাই’ হায়রিবদু ফজবা লোন্দাদা পুথোকখিবগী ৱানি অমরোমদা ‘মীনাই’ হায়বনি। কনাগুম্বা মী অমগী (মী) নৎত্রগা মী কাঙলূপ অমগী (মী) ৱাখল্লোন, চৎনবীনচিংবা অদুগী মতুংইনবা নাইরিবা (নাই) হায়বদি চৎপা নাইরিবা, হিংবা নাইরিবা, থবক তৌবা নাইরিবা অসিনচিংবা ‘নাই’ ওইবা পূম্নমকশিং অদুবুনি ‘মীনাই’ নৎত্রগা খোনপুনাই (খৌবুনাই) হায়না কৌনগদৌরিবসি।

মপুনা য়ানননবনি হায়দুনা মপুনা শেৎপা ফিজোলগা শেৎনরক্লবা, মপুগী মতৌ তমদুনা মশাগী কাঙলূপকী চৎনবীসু নত্তবদা খুদাংদগা লংকোনকা শিনরক্লবা, ৱা ঙাঙবকাসি মপুদুনা ঙাঙবা খোনলৈ-খোন্দাগা মান্ননবা ঙাঙনরক্লবা, মীয়াম তিনবা মফমদা ৱা ঙাঙবদা মপুনা তৌবগুম খুদোনবী শিংদুনা শংলগা ৱা ঙাঙবগী মতৌ তম্নরিবা হায়রিবশিং অসি মীনাই নৎত্রগা খৌবুনাই মানা পাঙথোংলবসু মপুনা য়াদবা মতমদা মীনাই নৎত্রগা খৌপুনাই ফম তাখিবসি করম্বা মফমদা/লৈপাক্তা থোকখিবগে। মীয়াম তিনবা মফম নৎত্রগা অতোপ্পা মফম অমা হেক্তদা খুদোনবী থিল্লগা ৱা ঙাঙবদি থম্বু থমখো, উহৈ-ৱাহৈ, মাইরেন-খোংদ্রুমনচিংবা মহৈ-মরোংনচিংবদা খুদোনবীনা থিনবদি লায়রদনা খুদোনবী উৎলুনু পুমগনি, তৌহৈদে হায়না মীতৈ/মৈতৈ খুন্নাইদা চৎনরক্লিবনি। অদুগুম্বা মীতৈ/মৈতৈ ওইবগী চৎনবীবুনা লাপ্পা থল্লগা মপুনা য়ানননবা চৎলিবা মীওইগী মীহুৎশিংনা ঈলৈপাক অসিবু ঙাক্লিবনি কাইনা খন্নরকপা তারগদি ঈলৈপাক অমদি ঈলৈচাশিং অসি মীতোপ্তা য়োম্থোকপগা চপ মান্নরোইদরা হায়বগী ৱাহং হংলিবনি, পাউখুম পাম্মী।

‘হৌদোং’ হায়বসিদি ইকায়বা খঙদবা শা মখল অমনি। ইকায়বা খঙদবনিনা অচোপ্পা মশক খঙদে। হেক হৌরকপদগী হৌনা (হৌ) ইকায়-ইকি খঙদবমখৈ অরেম অখাক, অতোং-অরেম্নচিংবা ফংননবা লাকপা ফোইবা তৌদুনা হিংবা থৱায় পানবা (তোং) অদুবুনি হৌদোং/হৌতোং হায়রিবসি। ফনা য়াম্না থিনা তৌদুনা অমদি চৈদুনা ইনাক্তগী তাম্থোকখ্রবসু ফৎ লাউনা চঙশিল্লক্তুনা হৌজিক্তদা থিনা তৌখিবা অমদি চৈখিবা অদু ঙরাংলা হায়না হংবা ঙল্লিবা শা মখলনি।

‘য়োং’ হায়বা মীগুম মখূৎ পানবা থৱায় পানবা অসি তাৎ-পাৎকী (তাং-পাংগী) ৱাখল, লমচৎ অমদি শাজৎ অহুমসি লোয়নবা শা মখল অমনি। মপুং মৰৈদি ফাবা ঙমদবা মতাং মতাংখক্কী ওইনা (তাং) পাঙথোকপা থবক অদুবু (পাং) তাং-পাংবগী (তাৎ-পাৎকী) থবক কৌনবনি। ঙসি হায়রম্বা ৱা অমদি পাঙথোল্লকম্বা থবক অদুগা অতোপ্পা নুমিৎ অমদা হায়রকপা ৱা অমদি থবক্কা মান্নরক্তরিবা লোয়ননা মপুং ফাবা ঙমদরিবা অদু মতাং মতাংখক্কী খল্লগা ৱা ঙাঙবা (তাং) অমদি ৱাদুগা পাংনরগা পাঙথোকপা থবক (পাং) অদুবুনি তাং-পাংগী থাক (তাৎ-পাৎকী থবক) হায়না কৌনগদৌরিবসি। অদুগুম্বা তাং-পাংগী (তাৎ-পাৎকী) ৱাখল্লোন ময়ামদু য়োক্তুনা থম্মী হায়বগীদমক য়োক্ (য়োং) কৌনবনি। অদুগুম্বা য়োংতুনা থম্বা ৱাখল্লোন অদুগী মতুংইন্না তাৎ-পাৎকী (তাং-পাংগী) থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লিবা অদুবুনা য়োক্-তাং (য়োং-তাৎ) হায়নরিবসিনি।

লৈবাক অমগী লৈঙাকলোইনি হায়না খঞ্জরিবা অদুবু অমরোমদনা ঙসি অমা হায়, হয়েং অমা হায় তৌদুনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী মতাং মতাংখক্কী ওইনা মীয়াম্বু মীনম-মীনমদুনা লাকপদগী মখোয় অসি নোংমা নোংমগী য়োং মানশিল্লকপগা লোয়ননা মখোয় মখোয়গী খৌপুনাই/মীনাই ময়ামশিংসু য়োৎ মাল্লকপা তাবনি। মীয়াম লৈঙাক্তদি অদুগুম্বা য়োং মানবা লৈবাক্কী মীহুৎনি হায়না পুথোল্লক্লিবদু মীয়াম্না পুথোল্লকপনি। অদু ওইরবদি মীয়ামদুসু য়োং ঙাক্তা ওইরব্রা?

‘লিন’ হায়বসি মহু পানবা অদুগুম্বা থৱায় পানবা অমনি। লিননা চিক্লবদি মী শিগল্লি। অতোপ্পগী ময়ূম-মকৈ, মকোননচিংববু মুল্লগা মহাক্কী ওইনবা হোৎনবা হায়বসি লিনগী হৈনবী, লমচৎ অমদি শাজৎনি। লিনশিং মশাগী মকোন শাদে, অতোপ্পনা শারম্বা মকোন্দা মানা অদুমক লৈশিল্লগা লিংনা পান্দুনা লৈবা হায়বসি লিনগী শাজৎনি। অতোপ্পগী য়ূম মৈ থাদোকপনি খঙদে থুগাইবনি খঙদে, লৈরম্লিবশিংবু তাম্থোকপনি খঙদে অদুম্না তৌরবা মতুং মাগী ওইহৌরগা লিংদুনা লৈবা অদুবুনি ‘লিং’ (লিন) হায়না কৌনগদৌরিবসি।

অতোপ্পবু মাঙহন তাকহনগে, অৱাবা পীগে, অকি-তুজুং পোকহনগে অসিনচিংবা খনবা লন্নাই মী, মী কাঙলূপ নৎত্রগা লৈবাক অমবু শিংথানবদা মহাক/মখোয় অদুবু ‘কাঙ্খদা চঙবা লিন’ হায়বদুগা চাংদম্নে। অতোপ্পগী হিংনফম কাংনফম মফম্বু (কাং) মাগী ওইবা য়ানবা খনজিন্দুনা (খন্) লৈতোনা লৈরগা (তা) লিংনা ঙাঙবা নৎত্রগা লিংদুনা লৈবা য়ানননবগীদমক (লিং) চংশিন্দুনা (চং) লৈপা (পা) অদুবু ‘কাংখনতা লিং চংপা’ (কাঙ্খদা লিন চঙবা) হায়না কৌনবনি। ● (মখা চথজরকখিগনি)

# ‘মণিপুরদদি ঐ শুংচৎ চৎলরোই’ - (২)

- মোইরাংথেম নবকিশর -

(হান্নগী মখা চথজরকপা...) মতুংদনা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী ষ্টেটসিদা পি আর লৈরকখিবদগী হৌজিক ফাওবসিনা ঐখোয় ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈরবা কোলোনিএল ষ্টেট অমা ওইনা লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোল্লগদ্রা? খোঙফম অমত্তা লেঙ ওৎপসু য়াহন্দ্রবা, ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনগী মখাদা লৈবাকসিগী সিটিজন অমনা লৈবাকসিগী মফম অমদা চৎপদা নীংতম্না ফ্রী মুভমেন্ট লৈহনগদবনি হায়বদু নোংপোক্তা য়াইঙংপোকপীদগী হেন্দোকপা য়াদ্রবা, খাদা পলেল, খরা হাইথরক্লগা ফৌগাকচাও ইখাই লানশিনবা য়াদ্রবা, অৱাংদা কংলাতোংবী, নোংচুপ্তা নোংচুপ কৈথেলমানবীদগী হেন্দোকহন্দ্রবা, ইশাগী পোক্লফম ইরমদম মণিপুরসিদা মণিপুর হায়বা ৱাহৈসি থারগা চৎপদা য়ারক্তবা, অথিংবা পীবা, ইশাগী ইয়ুমদা চঙদুনা লৈজরুরগে হায়বদা চঙবা য়ারোই হায়দনা থিংদুনা থল্লবা, ইশা ইশাগী লৌফমদা কুমদুনা লৌ উজরুগে, চহীগী চানবা পূক্কে লোকচহৌরগে হায়বদা লৌ উবা চঙহনবীদ্রবা ঐখোয়বু ঙসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীনাই নাইথাংগুম নমথদুনা থম্বীরে হায়বসিবু হায়মনবা থোক্কদ্রো? থোক্তেনা।

করিগী লৈঙাক অমা লিংবগী পার্টি অমগী মেজোরিটি লৈবতা নত্তনা পার্টিদুবু শৌগৎপা মীয়ামগী মীহুৎ কোকথোং অমা লৈনা লৈনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা করিগী মীয়ামগী লৈঙাক লৈহন্দ্রিবা? করিগী দিক্টেটর লৈঙাক চলাইরিবা? ঙসি মালেমদগী হেন্দোক্তুনা অহাঙবা এয়র স্পেস ফাওবা খুদুম চন্নবা হোৎনরক্লবা সেটিলাইটকী য়ুগসিদা মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয়বু পোন মনুংদা য়োকপা উচেক-ৱায়াগুম, শঙ্গোলদা লোয়বা শা-ষণগুম শিদনবখক্কী ওইবা বডজেট পুথোক্তুনা, মৈ ঙ্কুং-ঙ্কুং থাবা খাং মথক্তাঙৌবা জীবগুম ঙৌদুনা থল্লিবা করিগীনো? ঐখোয়সিবু মীওইবা নত্তবরা? পুলহন্নীংদ্রগা নাখৈ শেংনা ইন্থোকপীরো।

চহী লিশীং কয়া ইদোম কনাগীসু মীখা পোন্দনা লৈঙাকচদুনা লাকখিবা ঐখোয়বু নমদনা ইন্দিয়াদা তিনশিনখিবদগী পেন্নদ্রবা ইরৈচা কয়ানা খূৎতা খূৎলায় পায়দুনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা চহী কয়া লান হৌদুনা লাক্লিঙৈ চৈরক চহী খরগী মমাঙ ওক্টোবর ২৯, ২০১৯দা সলাইগী নারেংবম সমরজিৎ অমদি য়াম্বেম বিরেননা লন্দন্দা মণিপুর মনীং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইরে, মার্চ ১৪, ২০১২দগী মণিপুরদা দি-জুরে গভর্ণমেন্ট অমা লিংবা হৌরে। সমরজিৎ মশামক্লা হায়রিবা গভর্ণমেন্ট অদুগী এক্সটর্নেল এফ্যেরস অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর অদুগা য়াম্বেম বিরেননা লৈবাকসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরে অদুগা মখোয় য়ুনাইটেদ কিংদমদা এসাইলম লৌদুনা লৈরে। ৱাফমসিমক য়ু এনদা চে থাদুনা মখোয়গী লৈঙাকপু মণিপুরগী নীংখা তম্ববু শক খঙবীনবা চে থারগনি হায়দুনা লাউথোক্লুবদগী ইন্দিয়া লৈঙাক, মপুং ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিজি খংপ্রেক খংখিবরা? মালেমগী লৈবাক কয়ানা মণিপুর কৌবা নিংথৌ পান্দুনা লৈঙাকচরম্বা অপীকপা লৈবাক মচা অমা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নমদুনা কুমজা ১৯৪৯দা লৌশিনবিখ্রে হায়বসি ময়েক শেংনা খঙলকপদগী মোদিজিনা তোয়না মালেমগী মফম কয়াদা টুর চৎপদা লৈবাক লৈবাক্তুগী লুচিংবশিংনা ন্যুজ মীদিয়াশিংগী মমাঙদদি হংদবা, তূমিন্না লোন্না থুপ্পা দিনরগুম্বা চাবদা নৎত্রগা অয়ূক্কী ব্রেকফাষ্টকুম্বা লৌবদা হংনরকপা য়াওবজাৎলা। সার মণিপুরগী ইন্দিপেন্দেন্টকী মতাংসিবু কমদৌবা? জম্মু-কাশ্মীরসু তঙ্খায় অমা পাকিস্থাননা খুদুম চনশিনখ্রে (পাকিস্থান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর)। অরুনাচল প্রদেশসু চাইনানা মখোয়গী লমনি হায়দুনা ক্লেম তৌরকখি সার ইন্দিয়াসিবু কায়বা তারবরা? ৱাহংশিংদুদা মোদিজি খংপ্রেক-খংপ্রেক খংখিবরা? মতুংদা মণিপুরসি পনবা শুকয়া য়াখিদবরা? মমঙদফাওবা ইন্দিপেন্দেন্ট মণিপুর খক্তা উদুনা লৈরবজাৎলা?

ফীভমসি লুরে- মালেমগী লৈবাক ৪/৫না মণিপুরগী ইন্দিপেন্দেন্টকী রিকগনিশন পীথোরক্লবা, মদুদা য়ু এনসু কনফার্ম তৌশিনথোকখ্রবা শোয়দ্রে ইন্দিয়া কায়বা। অদুদি কৈদৌবা তাই- মীতৈশিং তুম্না লোইশিন্দবা য়াদে। মীতৈশিং ঙসিদি ইন্দিয়াগী নাগরিক ওইখ্রে অদুনদি ঐগী সিফাইশিং থাজিল্লগা হাৎপদি আইননা য়াররোই অদুদি কমদৌবা- কুকিশিংদা ইনশিন্দুনা নখোয়গী হোমলেন্দ অমা পীগনি- মীতৈশিং তুম্না লোইশিল্লু। ঐখোয়না নখোয়বু প্রোটেক্সন পীগনি। অসাম রাইফলশিংনা ঙাকহনগনি হায়দুনা অরৈবা খূৎশু খূৎলায় কয়া পীশিন্দুনা মীতৈশিংগী মথক্তা লান দাহনবা ওইরিদরা? অদুনা অসুক কুইবা মণিপুরগী মতাংদা ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদবা। মীৎমাংদনা হোম মিনিষ্টরবু পার্লিয়ামেন্টতা থোকহন্দুনা মণিপুরদা থোল্লিবা ঈরাংসি ফোরেন হেন্দ য়াওরে, ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনা থোকহনবা ঈরাংনি, আর্মি থাজিন্দবা য়াররোই হায়দুনা অহিং ২/৩দা নোংথক্তগী ফাওবা য়াওনা আর্মি পর্সনেল লিশীং ৬০/৭০ তনহোন হোল্লক্তুনা নমদনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং পৈশিনহৌবা, মণিপুরীশিং/মীতৈশিং খোঙকাপ অমত্তা থাংদোকপা য়াদনবা, মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্টকী মঙলান মুখৎহৌনবা তাঞ্জাসি লৌরগা মণিপুরগী লালহৌবা পূম্নমক লোংউপ তান্দুনা লোইশিনহৌবা অদুবু খুদিংমক তায়োন্নবা থোক্লবরা? উশা থারু খুদিং হেন্না হেন্না মসা ফন্দোরকপগুম মণিপুরগী নীংতম লাম্বী তোলোপ ফংদবীদা লাখ য়ৌখ্রবরা, হেনখ্রবরা?

মীতৈশিংবু তুম্না লোইশিনহনবা নুপী অঙাং খাক্তনা, চহী ফাজদ্রিবা অঙাং ফাওবা হাৎতোক্লগা বরাক তুরেলদা লংথহন্দুনা মীতৈশিং তুম্না লোইশিনহনগনি হায়বগী মঙলান্দদি লিংজেল খাবা, ইমা লৈবাকসিগীদমক শিবা কিদবা মীতৈ নোংশা লিশীং লিশীং থোরক্তুনা অদুঙৈ বৃটিশ ওফিসর মঙক কক্তুনা হাৎখিবদুগুম ওফিসর ১০০/১০০ হাৎলগে চোংথোরক্লবদা শাগী লীচৎ চৎপা কুকি খুজোক খরখক্লা অফবা বোম-তোপ-রোকেট পায়দুনা কৈদৌজরদৌরিবা। অসাম রাইফলসনা, আর্মিনা ঙাকপীরমদ্রবা হন্দক্কী লানফমদুদা মণিপুরদা কুকি হীদাক তৌগে থিবদা থিবসু ফংলম্লোই। মীতৈশিং তুম্না লোইশিনহনগে খনখিবা মোদিজিগী মঙলান মঙফাওনখিদ্রবরা? অদুবু ‘মণিপুরদদি ঐ শুংচৎ চৎলরোই’। ঐনা মণিপুরদা চৎতুনা মালেমগী মমাঙদা মণিপুরবু অমুক নৌহৌননা শক তাক্লোই। তানফমসিদা ঐনা মণিপুরদা চৎলুবা হায়বসে মালেমগী লৈবাকশিংনা মণিপুরবু নৌহৌননা শক খঙখিগদৌরিবনি। করম্বা মণিপুর - ইন্দিপেন্দেন্ট মণিপুর’ দি জুরে গভর্ণমেন্ট অমা শেমখ্রবা মণিপুর। মসিমক ওইরিদরা মোদিজিগী ৱাখল্লোন?

অসিগুম্বা তানফমসিদা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙম্বগী পাঙ্গল শক্তি চপ চানা লৈজরিবা, সেন্টরনা য়াদ্রগসু ইরমদম ইমা লৈবাক্কীদমক, মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কন্নবগীদমক মীতৈ ফূরুপ্পু কন্নবগীদমক, মণিপুরীশিংবু কন্নবগীদমক আইদিয়া ওফ মণিপুর লেঙদনা থম্নবগীদমক অনৌবা লৈঙাক অমা লিংবা ঙমদ্রবা ঐখোয়গী মীহুৎশিং অসি অমুক হন্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎফম থোক্লিব্রা? মখোয়দা অমুক হন্না ভোট পীরবদি উতুপ অমদা মীহুৎ ওইনা থাগৎপগা পাঙ্খক ওইরোইদ্রা? হৌজিকসু মতম লৈরি, নরৈবাকপু নুংশিরবা, নজাতিবু কন্নীংলবা, মণিপুরগী অপূনবা শক্তমবু কায়হন্নীংদ্রবা, সেন্টরনা য়াদ্রবসু খুদক্তা নখোয়মখৈ পুনশিন্নরগা অনৌবা পার্টি অমা লিংউ, খুদক্তা লৈঙাক শেম্মু। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী মখাদা নমদুনা সেন্টরদগী শক্তি মুল্লু। কুইখ্রবদি নখোয়গী খোঙ্গুল লুখাক কোমদগীদি ফংখিবসু য়াই অদুবু মণিপুরগী এসেম্বলি হোলদগীদি ফংগনি থাজদ্রে অমুক হন্না। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২১গী ৱাহং

১) “কৃষ্ণ চরিত” হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

২) “নাটক অমসুং সমাজ” হায়না মিংথোনবা ৱারেং অসি অপূনবা ৱারেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা ৱারেং লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

৩) “অরাম্বাই মকু” হায়বা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) “নোংদম” হায়বা দ্রামাগী লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) “শান্তিগী লৈরাং” হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবা অসিগী মমিং ইয়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।